# চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা টাইক্বোন্দো শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মমাং চহীদা টাইক্বোন্দো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা বেঙ্গল টাইক্বোন্দো এসোসিএশননা শীন্দুনা কোলকাটাদা পাঙথোকখিবা ৫রক শুবা নেশনল ওপন কিওরুগী অমসুং পুমসে টাইক্বোন্দো চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মায় পাক্না শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।




ক্রিএটিভ টাইক্বোন্দো ইন্সটিট্যুট (সী টি আই) সগোলবন্দনা শীন্দুনা সগোলবন্দ তেরা অমুদোন অখাম লৈকাইগী লাইনিংথৌ কম্ম্যুনিটি হোলদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা সী টি আইগী শান্নরোয় ২৮না শরুক য়াখিবদা শান্নরোয় ২৮ মক মেদল লৌদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেননা হায়, হৌজিক্কী মতমদা চহী নৌরিবা নহাশিংনা মোবাইল গেমশিংদা ঙাওদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা লৈরিবসি মমা-মপা ওইবশিংনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মোবাইল ফোনদা য়াওরিবা গেমশিংদা পূক্নিং লুপশিনখ্রবদি হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী মশাদা অকায়বা কয়া পীরক্কনি। মরম অদুনা লম্পাক্তা থোক্তুনা মচাশিংবু শান্নবগী হৈনবী লৈহনবগা লোয়ননা মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎনগদবনি। হৌজিক্কী মতমদদি পূক্নিং চঙনা শান্নদুনা অফবা মায় পাকপা শান্নরোয় ওইবা ঙম্লবদি লেম্না মাঙদ্রে। অফবা শান্নরোয়শিংগীদমক লৈঙাক্না স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা অখন্নবা পোষ্টশিং শেমদুনা থম্লি। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা লৈঙাক্না থম্লিবা খূদোংচাবশিং অসি লৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী অরোইবা চয়োলদগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা নেশনল গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী অৱাৎ-অপা অমত্তা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা লৈহল্লোই। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুবীরকউ। নেশনল গেমসতা মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংদা মশা-মশাগা চানবা লৈঙাক্কী থবকশিং পীগনি হায়না অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা দিরেক্টর টি ফুলেননা শান্নরোয়শিংগী পূক্নিং থৌগৎখি।

# নুপা অমসুং নুপী টিম ২মক মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** সেপাক টাক্রো এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা তেলঙ্গনানা য়ূম্থ্ব ওইরগা ষ্টেট অদুগী ৱরাঙ্গল হনুমাকোন্দাদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৩৪রক শুবা সিনিয়র নেশনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ফোর মেন এন্দ ৱিমেন ২০২৫গী ওইনা রেগু ইভেন্টতা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী টিম অনীমক মায় পাকপা ঙমখ্রে।

নুপাগী রেগু ইভেন্টকী ওইনা মণিপুরনা অহানবদা অন্ধ্র প্রদেশকা লম্বা তৌনখি। মদুদা মণিপুরনা অন্ধ্র প্রদেশপু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (১৫-১১, ১৭-১৫)দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অনীশুবা মেটচতনা মণিপুরনা গুজরাটপু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (১৫-৪, ১৫-৪)দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি। অহুমশুবা রাউন্দদা মণিপুরনা নাগালেন্দবু ২-১ (১৫-৫, ১৪-১৭, ১৫-৩)দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা, নুপীগীদা অহানবা মেটচতা উত্তরখন্দ লাক্তবদগী মণিপুরগী টিম ৱাকওভর ফংখি। মদুগী মতুং গোৱাগা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা গোৱাবু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (১৫-১২, ১৫-৫)দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# নুমিৎ ১৫নি চথগদবা ক্রিকেট কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ) অমসুং আর এন ঈ ফাউন্দেশননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৫নি চথগদবা রেসিদেন্ট গ্রাসরুট ফাউন্দেশন ক্রিকেট কেম্প ময়াং ইম্ফালদা লৈবা এম তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি কোচিং কেম্প হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মনিদকোগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনগী এস দি পি ও তোংব্রম বিমোলচান্দনা অখন্নবা মীথুং অদুগা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম মৈরাবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।


থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা তুংদা মায় পাকপা শান্নরোয় ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়না পাউতাকশিং পীখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা লীৎকদবা ফুরিৎসু য়েম্থোকখি।

# কে ৱাই দি সী অমসুং এন বি সী এ দ্রো চৎখ্রে, টি এস এফ এ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা পাৎসোইদা লৈবা পাময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬লক শুবা এস ঐচ মণি শর্ম্মা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে ৱাই দি সী অমসুং এন বি সী এ দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি এস এফ এনা য়ু ৱাই পি এ মায়থীবা পীখ্রে।

কে ৱাই দি সী অমসুং এন বি সী এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। কে ৱাই দি সীগী পাঞ্জল ৩ অদু এম দি অবু সালিম, এস অমজিৎ, কে পেরিসনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা এন বি সী এগী পাঞ্জল অদুনা ৪০, ৪৯শুবা মিনটতা কিষননা অনী, ৬৩শুবা মিনটতা দেভিদনা অমা চনখিবনি। অদুগা টি এস এফ এ অমসুং য়ু ৱাই পি এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টি এস এফ এনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1362

**H. Hamdouchi (2567) - J. Aguera Naredo (2354)**
**TCh-ESP Premier North Barcelona ESP (1), 2005.08.11**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.e4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.Bd3 dxe4 | 5.Bxe4 Nf6 |
| 6.Bf3 O-O | 7.Nge2 Nbd7 | 8.O-O c6 | 9.Ng3 Qc7 | 10.Nce4 Be7 |
| 11.c3 Nxe4 | 12.Bxe4 c5 | 13.dxc5 Nxc5 | 14.Bc2 b6 | 15.Qh5 g6 |
| 16.Qh6 e5 | 17.f4 f5 | 18.fxe5 Qxe5 | 19.Bf4 Qg7 | 20.Rae1 Bf6 |
| 21.b4 Nb7 | 22.Rf3 Kh8 | 23.Bb3 g5 | 24.Qxg7+ Kxg7 | 25.Nh5+ Kg6 |
| 26.Nxf6 Rxf6 | 27.Rg3 h6 | 28.h4 g4 | 29.Re8 Nd6 | 30.Rg8+ Kh5 |
| 31.Bxd6 Rxd6 | 32. ... | | | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1361 Solution :**

**85. ...e1=Q 86. b8=Q Qxh4+ 87. Kg2**
87.Kxh4 Qh6#
**87. ...Qa2+ 88. Kf1**
88.Qb2 Qxb2+
88.Qe2 Qxe2+
88.Qf2 Qaxf2#
88.Kg1 Qe1+ 89.Qf1 Qaf2+ 90.Kh1 Qexf1#
**88. ...Qa1+ 89. Ke2**
89.Qb1 Qxb1+
89.Kg2 Qah1#
89.Qd1 Qxd1+
**89. ...Qhe1+ 90. Kd3 Qaxc3#**
**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com